

# সনালৈবাক স্পোর্টস



IMPHAL, MONDAY, OCTOBER 09, 2017 **PAGE 7**


*ইন্দিয়া অমসুং ওস্ট্রেলিয়াগী ক্রিকেট সেরিজ অসিদা মপান্থোম শোকপদগী টুর অসিদা মখা তানা য়াওবা ঙমদনা মরমদম চৎখ্রবা ওস্ট্রেলিয়ান ক্রিকেট টিমগী কেপ্টেন ষ্টিবন স্মিথ*

*তাইপৈদা চথরিবা য়িন্দর টুর্নামেন্ট প্লেয়র চেম্পিয়ন্সিপ্তা মকোক থোংদুনা চৎপা ঙম্লিবা ইন্দিয়াগী গোল্ফর অজিটেস সান্ধু*

## ফ্রান্সকী কেরোলিন গার্সিয়া অমসুং স্পেনগী রাফেল নদালনা চাইনা ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপী অমসুং নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল লৌখ্রে



চাইনা ওপনগী নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল লৌখ্রবী ফ্রান্সকী গার্সিয়া (ওই) অমদি নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল ফংখ্রবা স্পেনগী নদাল

*বৈজিং, ওক্তোবর ০৮ঃ*

চাইনাগী সিটি বৈজিংদা চথরকপা চাইনা ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী ফাইনেল মেটচশিং মায় পাক্তুনা ফ্রান্সকী কেরোলিন গার্সিয়া অমসুং স্পেনগী রাফেল নদালনা নুপী অমসুং নুপাগী সিঙ্গলস টাইটলশিং লৌখ্রে।

চাইনা ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলসকী ফাইনেল মেটচতা ফ্রান্সকী কেরোলিন গার্সিয়ানা নৌনা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইখ্রবী অদুগা টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সিদেদ শান্নরোই রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপপু ষ্ট্রেট সেট অনীদা থোইরল্লগা টাইটল লৌবা ঙমখি।

ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা সেট অদু ফ্রান্সকী কেরোলিন গার্সিয়ানা রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপকী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৪ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

সেট অমা শোথরবা হালেপনা অনীশুবা সেট অদুদা য়াম্না অকনবা লম্বা পীরকখিবদগী সেট অদু টাই ব্রেক ফাওবা পুরকখি। টাই ব্রেক অদুদা ফ্রান্সকী কেরোলিন গার্সিয়ানা ৭–৩ দা থোইদুনা টাইটল লৌবা ঙমখি।

চাইনা ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান স্পেনগী রাফেল নদালনা ওস্ট্রেলিয়াগী নিক কিরগিওসপু য়াম্না কোম্না ষ্ট্রেট সেট অনীদা থোইরমখি।

মেটচ অদুগী অহানবা সেট অদুদা নদালগী মায়কৈদগী য়াম্না ফজনা শান্নখিবা মরম্না মহাক্কী লম্বা ওইখিবা কিরগিওসকী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা ৬–২ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

সেট অমা মাঙজিল থারিবা স্পেনগী রাফেল নদালনা অনীশুবা সেট অদুদা হেন্না ফজরক্তুনা কিরগিওসকী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা ৬–১ দা থোইদুনা নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল অদু লৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসকী ফাইনেলদা অহানবা সিদেদ পেয়র ফিনলেন্দগী হেনরি কোন্টিনেন অমদি ওস্ট্রেলিয়াগী জে পিয়র্সনা য়ুএসএগী পেয়র জেন ইসনর অমদি জেক সোকপু সেট অহুম চঙনা শান্নখিবা মেটচ অমদা ৬–৩, ৩–৬, ১০–৭ দা থোইদুনা টাইটল লৌবা ঙমখি।

চাইনা ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী দবলসকী ফাইনেলদা অহানবা সিদেদ পেয়র স্বিজরলেন্দগী মার্টিনা হিঙ্গিস অমসুং চাইনিজ তাইপৈগী চান য়ুং জানना ৪শুবা সিদেদ পেয়র হঙ্গেরিগী টিমিয়া বাবোস অমদি জেক রিপব্লিক্কী এন্দ্রিয়া লাভাকোভাবু ষ্ট্রেট সেট অনী ৬–১, ৬–৪ দা থোইদুনা টাইটল লৌবা ঙমখি।

নাকল অমরোমদা জপানগী সিটি টোকিওদা চথরকপা রাকুটেন জপান ওপন এটিপি টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা বেলজিয়মগী দেবিদ গোফিননা ফ্রান্সকী এদ্রিয়ান মানারিনোবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা থোইরল্লগা টাইটল লৌবা ঙমখি।

মেটচ অদুগী অহানবা সেট অদুদা গোফিননা মানারিনোগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৩ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা সেট অদুদা মানারিনোগী মায়কৈদগী লম্বা খরা পীরকখ্রবসু গোফিননা ৭–৫ দা থোইদুনা নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল অদু লৌবা ঙমখিবনি।

রাকুটেন জপান ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসকী ফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অসিদা ৱাইল্ড কার্দ এন্ত্রি ওইনা শরুক য়ারকখিবা য়ুম্থু লৈবাক জপানগী পেয়র বি মেলাচলান অমদি ৱাই উচিয়ামানা টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সিদেদ পেয়র বৃটেনগী জেমী মুরে অমসুং ব্রাজিলগী বি সোর্সপু ৬–৪, ৭–৬ (৭–১) দা থোইদুনা টাইটল লৌবা ঙমখি।



রাকুটেন জপান ওপন টেনিসকী নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল লৌখ্রবা দেবিদ গোফিন

## ইন্দিয়াগী সামিয়া ইমাদ ফরুক্কীনা নুপীমচাগী চহী ১৫ মখাগী এসিয়ান বেদমিন্টনগী সিঙ্গলস টাইটল লৌবা ঙমখ্রে

*য়াঙ্গোন, ওক্তোবর ০৮ঃ*

ম্যান্মারগী কোনুং য়াঙ্গোনদা চথরকপা এসিয়ান বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপকী জুনিয়র কম্পিটিসনদা ইন্দিয়াগী সামী ইমাদ ফরুক্কীনা নুপীমচাগী চহী ১৫ মখাগী কাঙলুপ্তা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে।



চহী ১৫ মখাগী চেম্পিয়ন ওইখ্রবী ইন্দিয়াগী সামিয়া ইমাদ ফরুক্কী (ওই)

টুর্নামেন্ট অসিগী অহুমশুবা সিদেদ শান্নরোই ওইনা শরুক য়ারকখিবী সমিয়ানা ঙসি ফাইনেলদা ইন্দোনেসিয়াগী শান্নরোই ৱিদজাজা ষ্টেফানিগা লম্বা তৌনরকপদা অহানবা গেম শোথরল্লবসু থংনবা গেম অনী থোইদুনা টাইটল অদু লৌবা ঙমখিবনি।

পনবা য়াবদি ঙরাং শান্নখিবা সেমি ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী শান্নরোই অনীগী লম্বাদা সমিয়ানা আসি রারটপু ২১–৯, ২১–১৮ দা থোইরম্বনি। অমরোমদা ইন্দোনেসিয়াগী ষ্টেফানিনা টুর্নামেন্ট অসিগী মরিশুবা সিদেদ শান্নরোই থাইলেন্দগী পোনপিচা সোকিব্রুংবু ২১–১৯, ২১–৯ দা মায়থিবা পীরমখি।

ঙসিগী ফাইনেল মেটচ অদুদা ইন্দিয়াগী সমিয়া ইমাদপু ইন্দোনেসিয়াগী ষ্টেফানিনা মায়কৈ খরদা হেনখিবদগী অহানবা গেম অদু ২১–১৫ দা থোইখি।

অনীশুবা গেম হৌরকপদদি ইন্দিয়াগী শান্নরোই অদুনা চেকশিল্লকপা অমদি ষ্টেফানিগী অশোনবা জগাশিং অদু এটেক চঙশিনবা ঙম্বদগী ২১–১৭ দা গেম অদু মায় পাক্তুনা দিসাইদিং গেমগীদমক শেম শান্নখি।

দিসাইদিং গেম অদুদদি শান্নরোই অনীগী মায়কৈদগী য়াম্না লম্বা মান্ননা পোইন্ট খুদিংমক অমনা অমদগী মুননবা হোৎনরকখি। পোইন্ট ১৯–১৯ ফাওবা মান্নদুনা লৈরম্বদগী ইন্দিয়াগী শান্নরোই সামিয়া ইমাদ ফরুক্কীনা থংনবা পোইন্ট অনী লৌবা ঙমদুনা ২১–১৯ দা অহুমশুবা গেম অদু থোইরগা চহী ১৫ মখাগী নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল অদু লৌবা ঙমখিবনি।

কাঙলুপ অসিগী নুপাগী ফাইনেলদা ৫শুবা সিদেদ শান্নরোই জপানগী রিকি তাকৈনা থাইলেন্দগী এসিয়ান বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা অহুমশুবা সিদেদ ওইরিবা পুরিতাক আরিবু ১৩–২১, ২১–১৭, ২১–১৬ দা থোইরগা নুপামচাগী টাইটল অদু লৌখি।

চেম্পিয়ন ওইখ্রবা জপানগী তাকৈনা সেমি ফাইনেলদা মালেসিয়াগী মোহমদ ফজ্রিকপু ২১–১০, ৮–২১, ২১–১৪ দা থোইরমখি। অমরোমদা থাইলেন্দগী আরিনা ইন্দোনেসিয়াগী মৱারদি পুত্রা দামাসপু ২৪–২২, ২১–১৬ দা থোইরম্বনি।

য়াঙ্গোনদা চথরকপা এসিয়ান জুনিয়র বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপকী নুপামচাগী চহী ১৭ মখাগী নম্বর ৱান সিদেদ ওইরিবা থাইলেন্দগী কুনলাবুত বিতিদসার্ননা মালেসিয়াগী ঝাই দার ওআইবু য়াম্না কোম্না ষ্ট্রেট গেম অনীদা ২১–৬, ২১–৮ দা থোইদুনা কাঙলুপ অদুগী চেম্পিয়ন ওইখি।

পনবা য়াবদি চেম্পিয়ন ওইরবা থাইলেন্দগী কুনলাবুতনা সেমি ফাইনেলদা হোং কোংগী কো সিং হৈবু ২১–১১, ২১–৭ দা থোইখি। অদুগা ঝাই দরনা অতোপ্পা মালেসিয়াগী শান্নরোই জেকি জিং হোং কোকপু ২১–১৪, ২৮–২৬ তা থোইরমখি।

এসিয়ান জুনিয়র বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী নুপীমচাগী চহী ১৭ মখাগী ফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা সিদেদ শান্নরোই থাইলেন্দগী পাট্টারাসুদা চাইৱাননা জপানগী রিকো গুঞ্জিবু য়াম্না কোম্না ষ্ট্রেট গেম অনী ২১–৫, ২১–১৫ দা থোইদুনা কাঙলুপ অসিগী টাইটল লৌবা ঙমখি।

পনবা য়াবদি চেম্পিয়ন ওইখ্রবী থাইলেন্দগী পাট্টারাসুদা চাইৱাননা মহাক্কী সেমি ফাইনেলদা ইন্দোনেসিয়াগী অলিফিয়া ইন্টান নুরোহখিমবু ২১–৮, ২১–৯ দা থোইরম্বনি। অমরোমদা জপানগী রিকো গুঞ্জিনা মহাক্কী সেমি ফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অসিগী অহুমশুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী চাইনিজ তাইপৈগী য়ুং ইন ঝুবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্লুরবা মতুং ২১–১৩, ১৯–২১, ২১–১৩ দা থোইরম্বনি।

## অহানবা টি–২০ ইন্দিয়ানা থোইখ্রে

*রাঞ্চি, ওক্তোবর ০৮ঃ*

ইন্দিয়া অমসুং ওস্ট্রেলিয়াগী ক্রিকেট টিম্না ঙরাং শান্নখিবা অহানবা টি–২০ মেটচ অদুদা নোংনা মরম ওইরগা ওভর মশিং ককথদুনা লম্বা তৌনরকপদা দিএল মেথদতা ইন্দিয়ানা ৱিকেট ৯ দা থোইখ্রে।

ফিল্ডিং হান্না তৌদুনা ইন্দিয়ানা ওস্ট্রেলিয়াবু ওভর ১৮ গা বোল ৪ দা রন ১১৮ খক লৌহনখি। নোং তারকপনা মরম ওইরগা ইন্দিয়াগী ইন্নিংস য়াম্না থেংনা হৌখি।

ইন্দিয়ানা ওভর ৬ তা রন ৪৮ লৌরগা মায় পাকপগী টার্গেট লৈখি। ওপনর রোহিট শর্ম্মা রন ১১ দা আওট ওইখ্রবা মতুং সিখর ধৱন অমসুং ভিরাটনা মখা তানা আওট ওইদনা ৬শুবা ওভরগী ৩শুবা বোলদা মথং শিংনা রন ১৫ অমসুং ২২ লৌরগা রন ৪৯ য়ৌখিবদগী মেটচ অদু ইন্দিয়ানা ৱিকেট ৯ দা থোইখি।

## ইন্দিয়াগী গুরুসাইদতনা বলগেরিয়ান ইন্টরনেসনেল ফ্যুচর সেরিজ বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী টাইটল ফংখ্রে

*সোফিয়া, ওক্তোবর ০৮ঃ*

ঙসি বলগেরিয়াগী সিটি সোফিয়াদা শান্নখিবা বলগেরিয়ান ইন্টরনেসনেল ফ্যুচর সেরিজ বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল অদু ইন্দিয়াগী শান্নরোই আরএমভি গুরুসাইদতনা লৌখ্রে।



মতম শাংনা শোকপদগী কম্পিটিসনদা শরুক য়ারুদ্রবা গুরুসাইদতনা ঙসিগী ফাইনেল মেটচ অদুদা টর্কিগী শান্নরোই মুহমদ আলি কর্টপু শুপ্নগী মিনট ৩৫ দা ২১–১৭, ২১–১৬ দা মায়থিবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অদুগী টাইটল লৌখিবনি।

মমাঙ চহীগী জুলাই থাদা পাঙথোকখিবা য়ুএস ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী মতুংদা শোক্তুনা ইন্দিয়াগী শান্নরোই ওইরিবা গুরুসাইদত নেসনেল অমদি ইন্টরনেসনেল টুর্নামেন্ট কয়া শরুক য়াবা ঙমদনা লাকখিবনি।

খ্বাংদা শোকখিবা মরম্না মহাক্কী ডোক্তরশিংনা ওপরেসন তৌদনবা ফনা কন্না হোৎনরবসু মমৈদা ওপরেসন তৌবা মথৌ তারকখি। চহী অসিগী এপ্রিল / মেদা থাইলেন্দ ওপন শরুক য়ানবা শেম শানবা হোৎনরকপদা খোংনিং লৈথেক্তুনা থা অমামখায়রোম পোত্থাদুনা অমুক লৈখিবনি।

মহাক্কী ফিজিও ওইখিবা খৃষ্ট পেদ্রা, কিরন অমসুং সুমান্সনা ডোক্তর দিন্সো পার্দিৱালগী মীৎয়েং মখাদা চেকশিন্না অশোকপা অদু তুংদা য়েৎলক্তনবা শাজেল তৌবদগী হন্দক্কী বলগেরিয়ান ওপন ইন্টরনেসনেল ফ্যুচর সেরিজ অদুগী টাইটল লৌবদা চাউনা মতেং পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখিবনি।

মায় পাকপা অদুনা থা অসি লোইশিল্লকপদা পাঙথোক্কদৌরিবা নেসনেল চেম্পিয়ন্সিপকীদমক মশাদা চাউনা থাজবা লৈখি।

## ইন্দিয়া ‘এ’ গী টিম ন্যু সাউথ ৱেল্সকী মখুত্তা পাঞ্জল ২–৩ দা মায়থিবা নংখ্রে

*পর্থ, ওক্তোবর ০৮ঃ*

ওস্ট্রেলিয়ানা য়ুম্থু ওইরগা চথরিবা ওস্ট্রেলিয়ান হোক্কি লীগকী ঙসি পর্থ সিটিদা শান্নখিবা ব্রোঞ্জ মেডল প্লে ওফকী মেটচ ওইখিবা অদুদা অকনবা লম্বা থেংনরবা মতুং ইন্দিয়াগী নুপাগী ‘এ’ টিম ন্যু সাউথ ৱেল্সকী মখুত্তা পাঞ্জল ২–৩ দা মায়থিবা নংলদুনা লীগ অসিগী ৪শুবা পোজিসন তাখ্রে।

মেটচ অদু হৌরকপদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী য়াম্না ফজবা মশান্না উত্তুনা অহানবা ক্বার্টরদা পাঞ্জল অনী চনবা ঙমখি। পাঞ্জল অনী অদু ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কি ‘এ’ টিমগী মায়কৈদগী ন্যু সাউথ ৱেল্সকী মায়োক্তা গোল এটেম্প তৌখিবা খুদোংচাবা ৬ কী মনুংদা চনখিবনি।

অহানবা পাঞ্জল অদু শান্নবগী ৩শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী সিমরনজিৎ সিংহনা লীগ অদুগী ওইনা মহাক্কী অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি। পাঞ্জল মাঙজিল থারবা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিং অদুনা মখা তানা চথরকপা টিমমেট অফান য়ুসুফনা ফিল্ড গোল অমা চন্দুনা ওস্ট্রেলিয়ান হোক্কি লীগ অসিদা মহাক্কী অহুমশুবা পাঞ্জল অদু ওইখি।

মেটচ অদুগী অহানবা ক্বার্টর লোইশিল্লকপদা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিং অদুনা ন্যু সাউথ ৱেল্সকী শান্নরোইশিং অদুগী মথক্তা পাঞ্জল ২–০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

অনীশুবা ক্বার্টর পাঞ্জল লৈখিদে। অহুমশুবা ক্বার্টর হৌরকপদা ন্যু সাউথ ৱেল্সকী তোম ক্রেগনা ৩৯শুবা মিনটতা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। মদুগী মখা তারকপা অরোইবা ক্বার্টরদা ন্যু সাউথ ৱেল্সকী মায়কৈদগী চথরকপা অকনবা এটেকশিংদা শান্নবগী ৫৫ অমসুং ৫৬ শুবা মিনটতা পাঞ্জল অনী থংননা চনখি। অহানবা পাঞ্জল অদু ন্যু সাউথ ৱেল্সকী সাইমোন ওর্কাতনা চনখি। অদুগা অনীশুবা পাঞ্জল অদুনা লাসলান সার্ফনা চনখি। পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদবদগী ইন্দিয়া ৪শুবা তাখি।

## কুমজা ২০১৮ গী ফিফা ৱার্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা ক্বালিফাই ওইবা অহানবা অফ্রিকান লৈবাক নাইজেরিয়ানা ওইরে, কোষ্টা রিকাসু ক্বালিফাই ওইখ্রে



নাইজেরিয়াগী টিম্না কুমজা ২০১৮ ৱার্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ক্বালিফাই ওইখিবদা হরাওবা ফোঙদোকখিবা

*উয়ো। সান জোস, ওক্তোবর ০৮ঃ*

রুশিয়ানা য়ুম্থু ওইরগা মথং চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা ফিফা ৱার্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ক্বালিফায়িং মেটচ অমদা নাইজেরিয়ানা জম্বিয়াবু ১–০ দা মায়থিবা পীদুনা অফ্রিকাগী লৈবাকশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী অহানবা ক্বালিফাই ওইবা টিম ওইখ্রে। কোষ্টা রিকাসু ৱার্ল্ড কপ অসিদা ক্বালিফাই ওইবা ঙমখ্রে।

জম্বিয়ানা য়ুম্থু ওইদুনা লৈবাক অদুগী সিটি উয়োদা লৈবা গোদসৱিল অকপাবিও ইন্টরনেসনেল ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা কন্টিনেন্ট অসিগী গ্রুপ (বি) গী নাইজেরিয়া অমসুং জম্বিয়ানা শান্নখিবা মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপদগী হৌনা টিম অনীমক য়াম্না লম্বা মান্নরকখি।

অহানবা হাল্ফকী মিনট ৪৫ অদুদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অমনাঅমগী মায়কৈদা এটেক তৌনদুনা শান্নরকখ্রবসু পাঞ্জল হাপচিনবা ঙম্নদনা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপদা য়ুম্থু ওইখিবা নাইজেরিয়াগী শান্নরোইশিংনা এটেক তৌশিল্লকপা হেল্লকখি। শান্নবগী ৭৩ শুবা মিনটতা টিম অদুগী এটেক অমদা ইৱোবিনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা জম্বিয়াবু ১–০ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

পাঞ্জল মাঙজিল থারবা নাইজেরিয়াগী শান্নরোইশিংনা অনীশুবা হাল্ফকী লেমহৌবা মতমশিং অদুদা জম্বিয়ানা তৌশিল্লকখিবা এটেক খুদিংমক মখোয়গী দিফেন্দরশিং অদুনা নীংথিনা ঙাকথোক্তুনা শান্নবা ঙমখিবদগী মেটচকী মতম লোইশিল্লকপা ফাওবদা জম্বিয়াগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু নাইজেরিয়ানা ১–০ দা থোইদুনা রুশিয়ানা য়ুম্থু ওইদুনা কুমজা ২০১৮ দা পাঙথোক্কদৌরিবা ফিফা ৱার্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ক্বালিফাই ওইবা অহানবা অফ্রিকান লৈবাক ওইখি।

গ্রুপ অসিদা নাইজেরিয়ানা মেটচ ৫ শান্নখিবদা ৪ মায় পাক্লগা ১ দ্রো চৎলগা পোইন্ট ১৩ ফংলগা মকোক ওইদুনা ক্বালিফাই ওইখিবনি।

অমরোমদা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা কোনকাকেফকী মেটচ অমদা কোষ্টা রিকা অমসুং হোন্দুরস পাঞ্জল ১–১ চন্নরগা দ্রো চৎখ্রবসু কোষ্টা রিকানা পোইন্ট হেনখিবদগী মেক্সিকোগী মথংদা অনীশুবা টিম ওইনা ক্বালিফাই ওইখি।

কোষ্টা রিকা অমসুং হোন্দুরসনা শান্নখিবা মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফকী শান্নবা হৌরকপদা য়াম্না লম্বা মান্নরকখি। শান্নবগী অহানবা হাল্ফ অদু টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপদা হোন্দুরসকী মায়কৈদগী এটেক কয়া তৌশিল্লক্তুনা কোষ্টা রিকাগী মায়োক্তা বোল হেন্না পুশিন্দুনা পাঞ্জল চন্নবা হোৎনরকখি। শান্নবগী ৬৬শুবা মিনটতা হোন্দুরসকী এটেক অমদা টিম অদুগী শান্নরোই ইদি হর্নাদেজনা পাঞ্জল অমা হাপচিন্দুনা কোষ্টা রিকাবু ১–০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

পাঞ্জল অমা শোথরবা কোষ্টা রিকাগী শান্নরোইশিংনা হোন্দুরসকী মায়কৈদা বোল পুশিন্দুনা ইক্বেলাইজর থিবা হৌরকখি। মখোয়না হোৎনরকখিবা অদু হোন্দুরসকী দিফেন্দরশিং অদুনা ফজনা লৈখিবদগী পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমদনা লৈখি।

শান্নবগী অরোইবা মীৎকুপ্তা কোষ্টা রিকাগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা টিম অদুদা শরুক য়ারিবা কেন্দাল ৱাটসননা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা মেটচ অদু পাঞ্জল ১–১ দা দ্রো চৎখ্রবসুং পোইন্ট টেবলদা অনীশুবা পোজিসন তাখিবদগী কোষ্টা রিকা ৱার্ল্ড কপ অসিগীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখিবনি।

য়ুইএফএগী ক্বালিফায়িং মেটচ অমদা ফ্রান্সনা বলগেরিয়াবু পাঞ্জল ১–০ দা মায়থিবা পীদুনা ক্বালিফাই ওইবগী লম্বেল নকশিনখ্রে। মেটচ অদুগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু শান্নবগী ঙল্লিঙৈ অহুমশুবা মিনটতা মাটুইদিনা চনখিবনি।

## ৬শুবা মিষ্টর মণিপুর খন্বা দিসেম্বর ৯ অমদি ১০দা পাঙথোক্লগনি

*ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৮ঃ*

ওল মণিপুর জিম্নাসিয়ম ৱেলফিয়ার এসোসিয়েসননা শিন্দুনা ৬শুবা মিষ্টর মণিপুর খন্বা চহিসিগী দিসেম্বর থাগী ৯ অমদি ১০দা জি এম হোলদা পাঙথোক্লগনি হায়না ওল মিণপুর জিম্নাসিয়ম ৱেলফিয়ার এসোসিয়েসননা থাদোরকপা য়েরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

কম্পিটিসন অসিগী ফোর্ম প্রকাস মেদিকেল হোল নাগামপাল, এক্স ফিটনেস ৱাংখৈ, কে এফ সি শিংজমৈ, সুপর জিম খুরাই, কে বি পি জিম তেরা, এন এফ সেন্তর নম্বোল, রোয়েল ফিটনেস একাদেমি থৌবালদগী ফংগনি অমদি পিশিনবসু হায়রিবা মফমশিং অসিদা দিসেম্বর ১দগী ৭ ফাওবগী মনুংদা পিশিনবা য়াগনি।

কম্পিটিসন অসিদা সেনিয়ার কেতেগোরিদা কেজি ৫৫, কেজি ৬০, কেজি ৬৫, কেজি ৭০, কেজি ৭৫, কেজি ৮০ অমদি কেজি ৮০ প্লস হায়বা গ্রুপ ৭ লৈগনি।

জুনিয়ার কেতেগোরিদনা কেজি ৫৫, কেজি ৬০, কেজি ৬৫, কেজি ৭০, কেজি ৭৫ অমদি কেজি ৭৫ প্লস হায়বা গ্রুপ ৬ লৈগনি।

অদুগা মাষ্টর কেতেগোরিদনা চহি ৪০দগী ৪৫, ৪৫দগী ৫০ অমদি ৫০গী মথক হায়বা গ্রুপ ৩ লৈগনি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা খঙহল্লক্লি।